# টুনিসিয়ন ফিল্ম ফেষ্টিবেল, ২০১৯ - ২

*- নানি*

ফিল্ম সোসাইটি মণিপুরনা মপূং ওইনা শীল্লগা, মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি, ফেদরেসন ওফ ফিল্ম সোসাইটিজ ওফ ইন্দিয়া (ইষ্টর্ন রিজন) গা খূৎশম্নরগা টুনিসিয়ন এম্বেসি, ন্যু দিল্লিগী মতেংগা লোয়ননা নুমিৎ নীনি চূপ্পা চত্থখিবা টুনিসিয়ন ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০১৯ হৌখিবা মে ২৫ অমদি ২৬তা মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। ফেষ্টিবেল অসিগী চাউরাকপা মশক অমা মমাঙগী এদিসন দা ফোঙখ্রে। ঙসিসু অমুক হন্না ফেষ্টিবেল অসিগী অহানবা নুমিৎকী অনীশুবা শো ওইনা উৎখিবা Mostafa Z হায়বা Nidhal Chatta না দিরেক্সন পীবা ফিল্ম অমগী শন্নপ্পা মপাউ মীয়ামদা তমজরি।



ফিল্ম অসি কুমজা ২০১৬তা টুনিসিয়াদা রিলিজ তৌখিবনি। ইন্টরনেসনলগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা এৱার্দ কয়া ফংলবা ফিল্মনি। ফিল্ম অসিনা লীরিবা ৱারী অসিগী মনুংদা- মীওইবগী পুন্সি অমদি লাইবক, মীনুংশি, সোসল সিষ্টেম, করপসন, নহাশিং অমদি অহল্লোনশিংগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা ৱাখল্লোন কয়াশিং অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা শাগৎপা ৱারীনি। মুসতাফা কৌবা ইচম চম্বা মীশক অমগী পুন্সিদা থোকপা থৌদোক খরদা শেমগৎলিবা ৱারীনি। মুসতাফাগী মচা নুপা অমগা মহাক্কী নুপীগা লৈ। মহাক্কী নুপীদি এয়র হোষ্টেজ ওইনা থবক তৌই। অদুনা য়ূমদা কয়া তোয়না লৈতে। ফ্লাইট পাইদুনা মফম অমদগী মফম অমদা কোয়না চৎলি। মুসতফাদি রেদিও চেনেল অমগী এঙ্কর ওইনা লৈ। মহাক অমদি মহাক্কী নুপীগা অনীগী মরক্তা খেন্নবা ৱাখল কয়া লৈ। মহাক্কী নুপীনা মাবু নুপা থোক্তবা মীশক অমনি হায়না য়াম্না ৱারৌখি। মরুওইনা মহাক্কী নুপীনা খরা হেন্না থাক ৱাংবা পুন্সি মহিং অমদা হিংবা পাম্মী। অদুবু মুসতফাদি য়াম্না চম্না লৈবা পামজে। মহাক্কী নুপীনা লম লাপ্পা নুমিৎ কয়ানি কোয়না চৎপসি মহাক্না পামদে। মহাক্কী মচানুপাসু মতমগী হোংলক্লিবা চৎনবীদুনা হেন্না পাম্মী। অদুনা ফিজেৎ চাকচা অমদি পুন্সি মহিং অসি মতমগী য়ক লাউবা মওংদা শেৎলি। মপাগী অপাম্বগী ৱাংমদনি। মচাগী স্কুল চৎপা মপানা হেক হেক থিল্লি। স্কুল য়ৌরবা মতমদা মহাক্কী মচাগা তিন্নরিবশিং অমদি মখোয়গী মতৌ অদু মপানা য়াম্না পেনখিদে। মহাক্কী মচানুপাসু মমাগী মীচংদা লৈ, মপাগা কয়া য়ানদে। মাগী মমানা হায়রিবদু সপোর্ট তৌবা ওইনা হেক হেক মরৈ তৌই।



ফিল্ম অসিগী হেক হৌবমক্তদা মুসতাফাগী ময়া কন্না চিক্লকপা মদু খঙবা ঙমদদুনা অনাবা অদু মীংশেল থাদুনা য়েংবদগী হৌই। মুসতাফাগী ময়া নারকপদগী হৌরগা মহাক্কী নুপী অমদি মচাগগী লৈনরিবা মরীশিং অদু পরিং নাইনা চত্থরকই। ময়া কন্না চিক্লিঙৈদা মহাক্কী নুপীসু পেরিসতা চৎকনি হায়না থোরকপদা মখোয় অনীগী য়ানদবা অদু মথি ফোংলকই। মহাক্কী ৱা তাদনা নুপীদু চৎখি। মুসতাফা দেন্টিষ্ট অমদা চৎতুনা য়েংলুবদা ময়া অমা শৎত্রবদি য়াররোই হায়রকখি। অৱাবা মরী চৎলি হায়বদুনি। মুসতফানা দেন্টিষ্টকী মনাক্তা চঙলুবদা খর থেংদোকখি। মহাক্না এঙ্কর ওইনা থবক তৌরিবা রেদিও চেনেল অদুগী মপুনা মহাকপু থবক্তগী লৌথোক্লে হায়বগী চে পীরখি। ৱাখল নুংঙাইত্রবা মুসতাফা লম্বীদা লাকপা মতমদা মহাক্কী কারগী থাও লোইখিবদগী লম্বীগী মতাই অমদা ইনশিন্দুনা থম্লগা পেট্রোল হানফম অমা তানা লাকখি। পেট্রোল হানফমদা কার য়াওদ্রবদি জর্কিলদা থাও পীবা য়াদে হায়না পীরকখিদে। মহাক্কী অচুম্বা অৱাবা অদু চৎনবী লোনা অয়াবা পীখিদে। লম্বীদা ৱর্কশোপ অমদগী থাও খরা খাইরগা পুরকপদা মহাক্কী কার অদু ম্যুনিসিপালিটিগী কাঙবু অমনা চিংনবা হোৎনরম্মী। মহাক্না ফনা য়াম্না হায়জরবসু মখোয়না লোগী ৱাফম পুথোক্তুনা য়াখিদে। মুসতাফানা শেল খরা পীরফাওবা লৌখিদে। অদুগা গাড়ীদু চিংলবা মতুংদদি মখোয়না শানবা ৱারীদা শেলদু ৫০০ পীরবদি থাদোকপীগে হায়ববু ২০০না কৈদৌদোইনো হায়না ৱারী শানখি। মদুনা হায়নীংলিবদি করপসন হায়বসি মালেমসিদা মরা তানা শন্দোক্তুনা লৈরে। মহাক গাড়ীদগী কুমথদনা অহিং চূপ্পা ফাজিন্দুনা থমখি। জর্নেলিষ্ট অমা ওইনা মহাকপু ফাজিনখিবদা মীওই কয়া অমনা য়ানীংখিদে। জর্নেলিষ্ট অমনা মিনিষ্টরদা পাউ পীবদগী মফমদুদা লাকখি। অদুবু মুসতাফানা য়াখিদে। মহাক্কী নুপীসু পাওসি সোসল মিদিয়াদগী তাবদগী খঙদুনা লাকখি। য়ূমদা হন্নবা হায়রবসু মুসতাফানা য়াখিদে। মহাক্কী নুপা থোকপা মতৌ অদু মাগী নুপীনা রেসপেক্ট তৌখি।



ফনা শাওনরবসু মখোয় অনীগী থম্মোয়দা লোত্তুনা লৈরম্বা নুংশিবা অদু অহানবা ওইনা ফিল্ম অসিদা উবা ফংখি। য়ূমগী ছো পায়রগা মহাক্কী নুপী হনখ্রে। ঙাইহাক্কী মতুংদা মাগী মচানুপানা ফোন তৌরকই। মহাক ঙকখি। মচানা মাবু নুংশি হায়রকপা মীৎকুপ্তুদা মাগী থম্মোয় পেৎখি। মমাগী মীচংদা লৈদুনা মাবু নাইতোম তাহল্লম্বা অদু মচানা মাবু য়ূমদা হলক্লো, মাবু নুংশি হায়রকপদা গাড়ীদগী কুমথদুনা ময়ূমদা হল্লকখি। অদুবু লম্বীদা মশক খঙদবা মীওই খরনা মাবু ফাদুনা পুখিবদা ফিল্ম অসিগী অরোইবা ওইখি।

ফিল্মসিনা লীরিবা ৱারী অসিগী থৌদোকশিং অসি য়াম্না তেনবা নুমিৎ খরনিখক্তা শাগৎপনি অদুবু, মতম তেল্লবসু ফিল্মসিনা হায়নীংলিবা মীওইবগী নুংদা লোত্তুনা লৈরিবা মশক উবা ফংদবা রিলেসনশিপশিং অমদি সোসল সিষ্টেম অসিনা মরম ওইদুনা পীরিবাঅঙকপা চৈথেং, হোংলক্লিবা মতমগী ঈচেলদা তিনখ্রবা মীওইবনা মাঙথরক্লিবা ত্রেদিসনেলিজম কয়াশিং অদুগা কন্টেম্পররি মোর্দনিজম অসিগা অনীসিগী মরক্তা লৈরিবা কনফ্লিক্ট কয়া অদু ময়েক শেংনা হায়রি। লৈরিবা সোসল সিষ্টেম অমদি তংদু লৈতাদবা পুন্সিরোল অসি অনৌবা মীখল কয়া লাক্তুনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট কয়া লাক্লবসু মসিদি হোংবা ঙল্লোই। মসিবু হোংহনগে হায়রবদি হ্যুমেনিজম অমদি সোসল অনী অসিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি য়াম্না শেংনা থম্বা তাই অমদি ফনা য়াম্না ফবা লো ওইরবসু মদুনা মীওইবা খুন্নাইগী কান্নগদবা নত্তবা লো শেন্নরিবা মীওই খরগী শেন্দান লম্বী ওইনা লৈবা তারবদি মদুগী কান্নবা করিনো হায়বা অসি ফিল্ম অসিনা য়াম্না কন্না হায়নীংলি।

নাকল অমদা ফিল্ম অসিনা মালেমগী ওইনা লাক্লিবা গ্লোবেলাইজেসন অসিনা মরম ওইরগা মীওইবদা হেন্না নুংঙাইবা খুদোং চাবা কয়া অমা আই টিনা পীদুনা মালেম অসি অপিকপা খুঙ্গং অমগুম লৌনরবসু মশা মশাগী ওইবা ত্রেদিসনেলিজমগী সেন্স অদু মাঙখ্রবদি মীওইববু চেৎনা কোনশিন্দুনা মাগী মাগী মশক্তম ঙাকচনবা লৈরিবা কলচর হায়বদুনা লৈত্রবদা কাং খোঙ চাইবগা লোয়ননা মীওইবগী লীচৎতা অমদি শাজৎতা অহোংবা লাকই। মদুনা অপূনবগী শক্তমদা অকায়বা পীরকই। অহোংবা হায়বসি মশাগী আইদেন্টিটিবু চেৎনা কোল্লগা হোৎনগদবনি হায়বা অসি ফিল্মসিনা হায়রি। ফিল্মসি য়াম্না ফজবা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসি উরুবদা ঐখোয়দা অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া পোকহনবগা লোয়ননা ফিল্ম অমা য়েংবগী চপ চাবা কান্নবা অদু পীবা ঙম্মী হায়বসি হায়নীংই।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৯।০৬।২০১৯ ইং, নোংমাইজিং,
ইঙাগী ৭ নি পানবা।

মেষ : অনা অয়েক লৈরন্নসু কোকচবা, অকিবা লৈরম্বসু মাঙখিবা অমদি থৌনা ফুদোক্লা থৌ পাংবা য়াবা নুমিৎনি। মরুপ-মপাংনা কল্লকই, লাইবক ফবা ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী -নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : ৱাঙাঙ হৈতবা অমদি খোইরাং-খোইশাওবনা নরল মাঙহন্নবা মরম ওই। পূক্লিং ফাথরদি মরুপ-মপাংগা মরী ফগনি অমদি খাংবা কনবনা নথক থোংবনা চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাইঙমদবা তৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : অনীংবা মরমদগী কান্নবা শোইদনা ফংগনি, ৱাখলগী শক্তি য়াম্না লৈ অদুনা খন্থরগা পাংবা থবক খুদিং মীনা লাকচবা ঙল্লোই। হুরানবনা তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

কর্কট : মীয়ামগী মতেং ফংগনি, মরুপ অনৌবা ফংগনি, শেল-থুমগী থবক্তা ওইজ-ওইথক ফংগনি অমদি মীয়াম লোয়নবনা নুংঙাইজবা নুমিৎনি। কাইনবদি নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থোইনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ : হরাওবা-নুংঙাইবা অমদি মীচং-শঙ্গ হেনগৎপা ঙসিসু লৈগনি। মরুপ-মপাং লোয়নবা অমদি নথক থোংবগী মতেংনা কান্নবা য়াম্না ফংগনি। অফবা মীংচৎ ফংজৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : মীংচৎ উরোং ফংগদবা অমদি ঙাঙ শকপদা মীনা থাগৎপিবা নুমিৎনি। হোয়া ফবা অমদি অখঙ-অহৈ শাবদি ঙসিসু য়াদে অমদি য়েক্লবদগী চেকশিনবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

তুলা : ৱাখল থোক্কনি, লাইবকসু ফগনি অমদি লৌশিং চাউবনা নচাক-নরল চাওখৎনবা হোৎনবগী মাই পাকপসু শোইদনা লৈগনি। অরানবা থবক তৌনিংবা ফাওই।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : থবক পাংগনি, অনৌবা থৌরমদগী কান্নবা য়াম্না ফংবা লৈ অমদি ৱানোম-থৌনোমগী কান্নবা ফংগনি। ঙক কনবা অমদি হোয়া ফবনা পামদবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : অশাওবা ফাথবা, করামদবা, ঙাঙবা কনবা অমদি ৱা য়াম্না ঙাঙদবনা শাফগদবা নুমিৎনি। অরং-অরাক পীথোক্কনু,চাগা য়েংনা চাদিং তৌগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা ইচা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মকর : নঙগী ওইবা মীগা লোয়ননা পাংবা থবক খুদিং শোইদনা মাই পাক্কনি অমদি খল্লুদবা মরমদগী কান্নবা খরা শোইদনা ফংগনি। লল্লোন ঈতিক্তদি কান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফত্তে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কুম্ব : নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা নুমিৎনি। পাংগে খনবা থবক্তা চিংনদনা খুৎচাউ থাবা য়াগনি। মরুপ-মপাংসু ফংগনি অমদি অঙম্বনসু থোইনা চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : লল্লোন ঈতিক্তা চাউনা মাই পাক্কনি অমদি য়েক্লববু ঙমজদুনা অফবা মফম কঞ্জবা ঙমগনি। নরলগীদমক মরুপ কাইননি। অশাওবনা মাঙওইনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## থাজবরা, থাজদবরা? অঙকপনা থল্লবা মালেম



❖ মঙদা থোকপা (উবা থৌদোক খুদিংমক তাইবংদা হেক্তা চপ মান্ননা থোকপা নৎতে। অদুনবু মঙ অমদি তাইবং হায়দুনা তোঙান তোঙান্না খায়দোক্লিবনি। অদুম ওইনমক কনাগুম্বা মীওই খরদি মখোয়গী পুন্সিদা তশেং তশেংনা থোক্লগদবা থৌদোক খরা মঙদা চপ মান্ননা উবা য়াওই। মসি কনাগুম্বা খরনদি তান চান্নরুবনি হায়না লৌই। অতোপ্পা মীওই খরনদি পুম্নমক অসি তুংদা থোক্লক্কদবা থৌদোকশিং মাঙজৌননা খঙবা ঙম্বনি হায়নৈ। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মীওই খরগী মফমদা থৌদোক অসি অদুম্মক থোকই।

❖ খরদং পল্লবদা অব্রহম লিঙ্কন হাৎখিবগী থৌদোক অদু মহাক মশামক্লা মমঙদা মাঙজৌননা উবা ফংখি। মীয়াম্না ৯/১১ হায়রগা খঙনরিবা কুমজা ২০০১ গী সেপ্টেম্বর ১১ দা টেরোরিষ্টশিংনা হায়জেক তৌবা প্লেন শীজিন্নরগা ন্যু য়োককী ৱার্ল্ড ট্রেদ সেন্টরদা এটেক চত্থরকখিবদা শিখিবা মীওই খরনা থৌদোক অদু মাঙজৈননা মমঙদা মঙখি। মার্ক ত্বেননা ময়াম্বা শিখিবগী থৌদোক মমঙদা হান্না উখি। টাইটানিক জহাজ কায়খিবগী মতাংদা মীওই খরনা মমঙদা মাঙজৌননা মঙখি। মতৌ অসুম্না মঙদা উখিবশিং অশেংবা ওইনা থোকপা য়াওই।

❖ মীওই খরনা নোংমদা তোঙোন তোঙানবা মঙ তরেৎ ফাওবা মঙই। কনাগুম্বনা অহিং অমদা মঙ মঙবগী মতম অসি পুং অমদগীনা অনী ফাওবনি।

❖ মীপুম খুদিংমক কলরদা মঙ মঙদে। চাওরাক্লা মীওই চাদা ১২ রোম ব্লেক এন্দ হ্বাইটতা মঙ মঙই।

❖ ঐখোয়না তুমথখ্রবা মতুংদা রেপিড আয় মুভমেন্ট (আর ঈ এম) কী থাক য়ৌখ্রবদি হকচাং পূম্বা লেঙ-ওৎপা ঙমদে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি হকচাং লেঙ ওৎপগী থবক কন্ট্রোল তৌরিবা ব্রেনগী শরুক অদু দিএক্টিভেট তৌখিবননি। মরম অদুনা তুমথ-খ্রবা মতুংদা মীওইবনা ফমুংদগী পাক হেক ওনথরক্তবনি।

❖ ঐখোয়গী লেংজুম অসি তোঙান তোঙানবা মশল ১৫ গী মতেংনা হকচাংগা শম্নবনি। মসি শরুনা শম্নহনবা নৎতে।

❖ ফীভম ফরিবা লিভর অনা নোংমদা ঈ লিটর ৭২০ চুমথোকপগী মথৌ তৌই।

❖ নাকোং মখুলদা লৈরিবা নাকোং নপথী অসি থাউ অমসুং হুমাংনা পুল্লগা শেন্নকপনি।

❖ নীংথিনা য়োকপী থাকপীবা অঙাং অমগা য়েংনবা মতমদা থৌশাবীদ্রবা হন্না য়েংবীদ্রবা অঙাংশিংগী ব্রেনদি খরা পীকই।

❖ ইমুং মনুং অমদি অকোয়বগী ফীভম খেন্নবগী মতুং ইন্না অঙাং অমগী মহৈ হৈগনবা অমদি তম্বদা খঙগনবগী চাং চাদা ২৫ হেনগৎলকই, নৎত্রগনা হনথরকই।

❖ মীওই অমগী মপুন্সিদা কিদনিনা মথৌ তৌদুনা চুমথোক্লিবসি ঈ গেলোন লাখ ১০ রোমনি।

❖ মশক মান্নবা ফাইবোক মচীন মনাওগী দি এন এ চপ মান্নজরবসু খৎশা ময়ি (ফিঙ্গর প্রিন্ট) দি মান্নদে।

❖ অঙাং অমনা মমাগী সিয়োমনুংদা লৈরিঙৈদা অকোয়বগী মখোল (খোঞ্জেল) অদুম্মক তাবা হৌরে।

## চীঞ্জাক্লা খ্বাইদগী ফবা হীদাক্লি - শরূগী মপাঙ্গল কন্নবা চাগদবা চিঞ্জাকশিং

শরূ হায়বসি অসুক্কী মতীক মরু ওই মদুদি ঐখোয়গী খোঙথাং খুদিং শরুনা ঙাক্লৌ পীরিবনি। শরূ য়াওদনা মীওইবনা লেংবা-ওৎপা ঙল্লোই।

মীওইবগী শরূ পোল্লাং অসি অহিংবা টিস্যুনি। মশাগী চহি ২৫ হেক শুরকপদগীদি মীওইবগী শরূগী মপাঙ্গল শোন্থবা হৌরক্লে। চহি য়ামশিল্লকপগা ইরোয়ননা শরূগী মপাঙ্গল অসুম-অসুম শোন্থরক্তুনা ওষ্টিওপোরোসিসকী রিস্ক ৱাংখৎলকই।

শরূগী মপাঙ্গল কলহন্নবগী অহানবা খোঙথাংদি অতেক-অতেকপা চীঞ্জাকশিং খল্লগা মচল শুনা চাবা হায়বসিনি হায়না নেসনেল ওষ্টিপোরোসিস ফাউন্দেসনগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

নুমিৎ খুদিংগী চারিবা চীঞ্জাক্তা উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা-মশীংনা হেন্না নম্না চাবগা লোয়ননা কেফিন য়াওবা মহী থক্লোইদবনি। কোফীগুম্বা কেফিন য়াওবা মহী থকপনা ঙাইহাক্কী হকচাং কনখৎপা মালহল্লবসু কোন্নদি হকচাং চোকথহনবগা লোয়ননা অরাম-খৌরাংবা ফাওহল্লি।

মহৌশাগী খুৎশেম মতুং ইন্না মীওই খুদিংমক মশাগী চহী ৪০ হেক শুরকপদগীদি শরূ পাথবা হৌরক্লে। মরম অদুনা মশাগী চহি ৫০ হেল্লবা নুপী অনি খুদিংগী মনুংদা অমা শরূ পাথরকপদগী তেকপা থেংনগনি। নুপাগী ওইনদি মীওই মঙা খুদিংগী মনুংদা অমা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লগনি।

শরূ পাথরকপা হায়বসি হেক য়েংবদসু খঙদবা, লাইওংসু উৎথোরক্তবা মরম্না ঙল্লিঙৈদা ইশা-ইশানা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎহৌগদবনি। শরূ কলহন্নবগীদমক্তদি কেলসিয়ম হায়বসি য়াম্নমক তঙাই ফদবা মরম্না নুমিৎ খুদিংগী কেলসিয়ম মিলিগ্রাম ৭০০ চাগদবনি। চীঞ্জাক্তগী কেলসিয়ম মপুং ফানা লৌশিনবা ঙম্নবগীদমক ভিটামিন ডি চাবসু মথৌ তাই। থাউ থোকপা ঙা অমদি য়েরুম মমুৎতা ভিটামিন ডি ফংবা ঙম্মী।



কা হেন্না শা চাবনা হকচাংদা এসিদ মখল অমা থোকহন্দুনা কেলসিয়ম চাথোকখিবদগী শরূ থোৎথহল্লকই। মরম অদুনা নুমিৎ খুদিংগী চারিবা চীঞ্জাক্তা অচাবা অমদা হঞ্জিন হঞ্জিন চাবগী মহুৎ মখল শুনা হোং-হোংলগা চাগদবনি। শরূগীদমক্তা খ্বাইদগী ফবা চীঞ্জাকশিংদি ঙা, শঙ্গোম, হৱাই, লৈবাক হৱাই, উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা-মশীংশিংনি। হকচাংদগী কেলসিয়ম মাঙহন্দুনা শরূদা অকায়বা পীরিবশিংদি মৈখু শীজিন্নবা, য়ু থকপা, চা, কোফী অমসুং কোলানচিংবনি। থুম কা হেন্না চাবনসু কেলসিয়ম মাঙহল্লি।

শরূগী মপাঙ্গল কলহন্নবগীদমক মীওই অমনা য়ামদ্রবদা নুমিৎ খুদিংগী মিনিট ৩০ রোম হকচাং শাজেল তৌগদবনি।

JCRE Skill Solutions
empowering our youth

Certified partner of N·S·D·C National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape

RECRUITMENT

JCRE Skill Solutions, a Leading Skill Development Organization and the first NSDC certified Training partner in Manipur is looking for the following posts:

| Sl. No. | Post | Eligibility | No. of vacancy | Job Location |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Accounts Trainer | B.com/M.com<br>Minimum 3 years sector specific experience | 1 | Hatta , Imphal East |
| 2 | Electrician Trainer | Diploma/ITI/B.Tech/M.Tech<br>Minimum 2 to 5 years sector specific experience | 1 | Wangkhem, Yairipok Road |
| 3 | Accounts Trainer | B.com/M.com<br>Minimum 3 years sector specific experience | 1 | Kwakta Bazar |
| 4 | Electrician Trainer | Diploma/ITI/B.Tech/M.Tech<br>Minimum 2 to 5 years sector specific experience | 1 | Khabeisoi Bazar |

For the above posts, we are seeking candidates with the below attributes:
- Excellent Communication (Written & Verbal) and People Skills
- Must possess good analytical and problem-solving skills
- Should be result-oriented with minimal supervision



Interested candidate can send their resume at **hr@jcre.ac.in** on or before **10th June 2019.**
For any queries, please contact:
Head Office: JCRE Skill Solutions, Meisnam leikai, Opp. THAU Ground, Thangmeiband,Imphal West - 795004, Manipur +91 8787318758
Call us during 10:00 am - 04:00 pm (Mon - Sat)

HL-B/5383/8,9

Pinewood View School
SANGAIPROU, OPPOSITE ISKCON TEMPLE, IMPHAL
A Co-educational Higher Secondary School
Affiliated to Council of Higher Secondary Education Manipur
ADMISSION OPENS
FOR CLASS XI (Sc.) 2019 - 2020 Session

PRINCIPAL
L. Somarjit Singh
Retd. Associate Prof. Imphal College, Imphal

GUEST LECTURERS
Kh. Dinokumari Devi — Retd. Senior Lect. English
L. Ramananda Singh — Retd. Associate Prof. Chemistry
C. Ibotombi Singh — Retd. H.O.D. Mathematics D.M. College
Ch. Rajendro Singh — Retd. Associate Prof. Imphal College

ADVISORS
A. Puru Singh (Chemistry)
N. Singhajit Singh (Physics)

FOUNDERS
L. Kumarjit Singh (Biology) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
S. Nikunja Singh (Mathematics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL

FACULTIES
Kh. Anjila (English) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
Meouni Laishram (Biology) — M. Sc. Biology, NET (JRF)
A.Sangita Chanu (Chemistry) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
Jeetchand Sanabam (Physics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
N. Rojesh Singh (Mathematics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
I. Sures Singh (Mathematics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL

FACILITIES

| | |
|---|---|
| For Rankers : | Freeship + Scholarship |
| 85% & Above But Below Rankers: | Freeship + Scholarship of ₹ 3000/- per month for 2 years. (Limited Seat) |
| 80% & Above But Below 85% : | Freeship (Limited Seat) |
| 70% & Above But Below 80% : | Admission Fee free (Limited Seat) |
| 65% & Above : | Direct Admission (Limited Seat) |

pinewoodviewschool@gmail.com Learn, Excel and Serve

HL-P/5371/22/5-12/6